# অরংবা থৱানমিচাক ওইনা ঙাল্লম্বা ইরমদম অসিগী তাংলবা ফাগী পুবা -হুইরেম মংলেম



মতম শাংনা লমদম অসিগী থিয়েটর, ফিল্ম, শুমাঙ লীলা, নোকফদেগী শেরিজনচিংবা লম কয়াদা মতম শাংনা অরংবা থৱানমিচাক অমগুম ঙানলম্বা ইরমদম অসিগী তাংলবা ফাগী পুবা শক্লাইরবা কলাকার হুইরেম মংলেমনা হৌখিবা ওক্টোবরগী ২৯, ২০১৮ নিং থৌকাবা নুমিত্তা লৈখিদবদা মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা অমদি অদুমক লৈহৌরগনি। ইং ১৯৪৬ গী ওগষ্টকী ৩১ শগোলশেন নুমিত্তা ইম্ফালগী শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা হুইরেম তোনশিং অমদি হুইরেম ওংবী পুনিমাসি অনীগী মচা ৩গী য়াইমনি। মথক্তা মচেম অমগা মখাদা মচন নুপী অমগা লৈ।

শেগা লম্বী এলপি স্কুলদা তম্লক্তুনা ১৯৬৫ রাম লাল পাল হায়স্কুলদা মেত্রিক পাস তৌখি। লোয়ননা ইম্ফাল কোলেজদগী গেজুএসন লোইশিনখি। ইং ১৯৭৮ দা তখেল লৈকাইগী সৌবাম নিঙোল খোমদোন লৈমগা য়ুন্বান লম্বীদা খোঙদাদুনা মপারি–২, মমোম–২ পুন্না মচা ৪ ফংজখি।

হেক য়েংবদা নোক্লিংবগী ময়াই অমা লোয়নবা মংলেমনা কোলেজ তম্লিঙৈ মতমদগী লীলা, দ্রামা অমদি ফিল্ম য়াওবা হৌরকখি।

লমদম অসিগী শক্লাইরবা অইবা জিসি তোংব্রগা থেংনবদগী সোসাইটি থিয়েটরগী লীলাশিং য়াওবা ফংজখি। মসিদগী মীয়ামনা তপ্না–তপ্না ফাগী পুবা মী অমা ওইনা শক খঙনবা হৌরকখি। লোয়ননা "লৈশাবী চিথিখেলা" দা অসাম মণিপুর সহিত্য পরিষদনা শক্লাইরবা অসিগী থোইদোক–হেন্দোকপা গুণবু শকখঙবা ওইনা "মেহমুদ ওফ মণিপুর" মিংথোল পীখি।

অশুম্বা ইং ১৯৭৮ দা পুথোকখিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম "লমজা পরশুরাম" শক্তম লাংবা অমা ওইনা শরুক য়ারুবদগীদি মহাকপু লমদম অসিগী মীয়াম্না ফাগী পুবা মীশক অমা ওইনা হেন্না পাক চাওনা খঙনরকখি। "ইমাগী নীংথেম" য়াওনা মণিপুরী সেলুলোইদ ফিল্ম ৭ /৮ দসু শক্তম লাংখি।

অঙনবা মতমগী "কৈদৌঙৈ লোয়গনি ইমুংগী লাঞ্জাওসে", নাপল, মীহাৎপা, নুংশি ফৈজে, টেলিপ্লে ইন্সপেক্সন, লৌশিংতা খাজনা থিবা পনবা য়াই। ইং ১৯৭২ দা ক্লাক ওইনা বোর্দ ওফ হায়র সেকেন্দরী এদুকেসন মণিপুরদা চঙই। অদুগা ইং ২০০৮ তা থবক্তগী জোইন্ট সেক্রেটরী ওইনা পোৎথাই। থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা সঙাই আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন হায়রিবা শুমাঙ লীলা কাংলুপ অসিদা য়াওদুনা পুন্সিগী খরা থেংথরকপা মতমদা মহাক্কী শুমাঙ লীলাগী খোঙচৎ হৌখিবা ওইদুনসু তেল্লবা মতম খরা খক্কী মনুংদা মীয়াম্না পাম্নরবা লীলা কয়াদা শক্তম লাংবা অমা ওইনা শুমাং লীলাগী ফম্পাক্তা মীয়ামগী পূক্নিং ৱাখলবু হুমদুনা পুবা ঙমখিবা হুইরেম মংলেমগী লীলা খরদং পনবা তারগদি– 'মৌ অমা মাংখ্রে', 'কোক্লরোইদবা পীফম', 'মাইবীদো মাইবদো', 'সনালৈবাক্কী সনাতোম্বী', 'খোং ফমসিমদি হোংলরোই' হায়রিবা লীলাশিং অসিনা মীয়াম্না য়াম্না পাম্মখিবা শুমাঙ লীলাশিং ওইরি।

ঙল্লিঙৈ মতম ইং ১৯৭৫–৭৬ অদুৱাইদা শান্নখিবা ঈশৈ য়াম্না য়াওবা 'কৃষ্ণ বাল লীলা' (থোইদোক্লা মীয়াম্নদি কৃষ্ণবাইলা হায়রগসু খঙনবা) হায়রগা খঙবা অমা 'কাং' (রাথা যাত্র) গী মতমদা মান্ধোপ–মন্ধোপ্তা চৎতুনা শান্নবদা শক্লাইরবা অসিনা কৃষ্ণনা অঙাং ওইরিঙৈগী শক্তম লৌদুনা তৌখিবা এক্টশিং অদুনা মতমদুগী মীয়াম্বু পুক্লি তিংবা মখে নোকহনখিবা ৱারী ঙসিফাওবা উনহৌবা মীয়ামগী লৈতোনদা লৈরি।

লাইশঙ, মান্ধোপ, লাই–হরাওবুং, শুমাঙ লীলাগী ফম্পাক, ফিল্মগী কেমেরা মমাঙ, শম্না শক্লাইরবা অসিনা জয় তৌরমবা ফম্পাক অতাংবনি লৈতে হায়ববক য়াই।

লমদম অসিগী মীয়ামনা য়াম্না পাম্মরিবা থৌদাম রোহিনিকুমারগী নোকফদেগী অহানবা শক্লোন অমা ওইরিবা 'নোক্লিংদ্র য়েঙু' হায়না মিং থোনবা দুরদ্রসন কেন্দ্র ইম্ফালনা হৌদোরকপা মতমদা চহি হৌবগী অখন্নবা প্রোগ্রাম ওইনা শনে দাকপা ফাগীদা যুম্ফম ওইবা স্কিটতা থৌদাম রোহিনিকুমার মশামক্কা লোয়ননা ওঝা রাজেন বোজাই, কলপানা অমদি শক্লাইরবা অসিনা শক্তম লাংখি। ঙসি ফাওবদা য়েংখিবা মীয়াম্না কাউবা ঙম্নদনা লৈনরিবা নোকফদেগী খূৎ তেকপা শম্বী মাইবী অমা শাখিবদা 'ইনেনা পায়রগদি খরখে হেক ফৈসে', হায়রিবা অদুদা লৌখিবা হনুবী অমগী শক্তম লাংখিবা অদু ঙসি ফাওবা শোন্নরি। লোয়ননা 'কোন ফেং ফম কদাইদনো' হায়বা স্কিট অসিদা শক্লাইরবা অসিনা চাক লাম্বগী তিন য়োৎপগী মওং অমদি ঙা মাকোক অচৌবা অদুদা কিন্না থিল্লগা চাবগী মওং অউবা পূন্নমকপু পুক্লি তিংবমখে নোকহনবা ঙমখি। শুমাঙ লীলাগী শক্লাইরবা কোমেদিয়ান শৌগ্রাকপম হেমন্তগা (ওঝা তোলহন শাবা) কো এক্ট তৌমিন্নখিবা নোকফদেগী 'হৌজিক্তা ঙানু অনী লানখিবনি' হায়বা স্কিট অসিসু অদুমঙাই! তশেংনা পোকপদগী মশাদা তোপ–তোপ্পা পীথোকচরকপ গুণ অমগা লোয়ননা পোক্লকখ্রবা হুইরেম মংলেম্নবু শোকলম্লবা, খুদিংমক নোক্লিংবা ওইহল্লি, নুংঙাইবদুনা নীংশিংহন্দুনা অমুক খন্থহনদুনা কান্নরবা পাউতাক কয়া, পাউখোং কয়া চন্দুনা ঐখোয়গী ইরক্তা তিল্লম্বা ইরমদম অসিগী তাংলবা ফাগী পুবা শক্লাইরবা হুইরেম মংলেমনা লৈখিদবদা পাউ–চে অসিগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোকচরি লোয়ননা শক্লাইরবা অসিনা লৈখিদবা অসিদা মেনখৎপা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা অমদি অদুমক লৈহৌরগনি!





ঐচ রাজেসে

## ষ্টৈকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

### আইদেল ক্লব তেরাগী য়ুনিফোর্ম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ঃ

থা অসিগী ১১ দগী ১৮ ফাওবা মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিয়েসননা শীন্দুনা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা ব্রহম্পুর নহাবমদা লৈবা বাস্কেটবোল কোর্টতা পাঙথোক্কদৌরিবা ২২শুবা সেনিয়র ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ দা শরুক য়ারিবা টিম অমা ওইরিবা তেরাদা লৈবা আইদেল ক্লবকী য়ুনির্ফোম ঙসি য়েন্থোকখ্রে।

ক্লব অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অদুদা হান্নগী পাটসোই কেন্দ্রগী এমএলএ সাপম কেবা অমদি ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট আর কে তোম্বীসনানা ক্লব অসিগী শান্নরোইশিংদা য়ুনির্ফোম খূৎশিন্নখিবগা লোয়ননা শান্নরোইশিংবু পূক্নিং থৌগৎখি।

আইদেল ক্লব তেরাদা য়াওরিবা শান্নরোইশিং অদুদি চেস নম্বর ৫ কেএসঐচ প্রতাপ, চেস নম্বর ১৩ কেএসঐচ দিঙ্কু, চেস নম্বর ৭ টি বুং, চেস নম্বর ৪ কেএস সরতচন্দ্র, চেস নম্বর ১০ পিটর নাওরেম, চেস নম্বর ৮ মৈস্নাম তেসকুমার, চেস নম্বর ১৪ আর কে অঞ্জন, চেস নম্বর ৯ এ বিমা লেন্দ্র, চেসনম্বর ৬ দয়ানন্দ, চেস নম্বর ১১ অকাস, চেস নম্বর ১২ লেমজবা অমদি চেস নম্বর ১৫ ইঙুদম নোংয়াই নি।

### টুর্নামেন্ট য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী পাঙথোক্কনি তৌরম্বা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ অর্চরি মেন এন্দ ৱুমেন টুর্নামেন্ট ২০১৮ অদু খুদোংচাদবা খরদগী থা অসিগী ১৩ দা রিজনেল কোলেজ লিলোং চাজিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন এন্দ ৱুমেন অর্চরি টুর্নামেন্টগী ওর্গনাইজিং সেক্রেটরী বি সুরজা শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

### হিরো আই লীগ ঃ মিনর্ভ পঞ্জাব এফসিনা আইজোল এফসিবু অমদি মোহন বগাননা ইন্দিয়ান এরোসবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ঃ

হিরো আই লীগ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ ওইনা রাজিব গান্ধী ষ্টেদিয়মদা আইজোল এফসি অমদি মিনর্ভ পঞ্জাব এফসি টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা মিনর্ভ পঞ্জাব এফসিনা আইজোল এফসিবু গোল ২–১ দা অমদি অনীশুবা মেটচ ওইনা বরাবাটি ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়ান এরোস অমদি মোহন বগান টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা মোহন বগাননা ইন্দিয়ান এরোসপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



*মিনর্ভ পঞ্জাব অমদি আইজোল এফসি টিম অনী শান্নখিবগী মতাং অমা*

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মিনর্ভ পঞ্জাব এফসিনা আইজোল এফসিবু গোল ২–১ পীখিবনি। মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা মিনর্ভ পঞ্জাবগী শান্নরোই লনসাইন তৌরেনা মেটচকী ১০ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা আইজোল এফসিবু গোল ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা হৌরকপা অমুক মিনর্ভ পঞ্জাবগী শান্নরোই লনসাইন তৌরেনা মেটচকী ৫৯শুবা মিনটতা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা আইজোল এফসিবু গোল ২–০ দা লৈরবা মতুং আইজোল এফসিনা মিনর্ভ পঞ্জাবকী গোলশিং অদু হনে দাক্লবা কন্না হোৎরবসু মেটচ লোইরমদাই মিনট ৮৪ শুবা মতমদা জিকাহি ত্তিন দোদোজনা গোল ১ হন্দোক্লববু মখা তানা গোল চনবা ঙমদবদগী মিনর্ভ পঞ্জাবকী মখুৎতা গোল ২–১ দা মায়থিবা নঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা মোহন বগাননা ইন্দিয়ান এরোসপু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখিবনি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা মোহন বগানগী শান্নরোই দিপানদা দিককা মেটচকী ৩০ অমদি ৪৫প্লস ১ দা গোল অনী চন্দুনা ইন্দিয়ান এরোসবু গোল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ইন্দিয়ান এরোসনা মোহন বগানগী গোলশিং অদু হন্দোক্লবা মোহন বগানগী মায়কৈদা এটেক্ট কয়া চত্থরবসু মোহন বগানগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না কনখিবনা মেটচ অসিগী অরোইবা মতম ফাওবদা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মেটচ অসিদা ইন্দিয়ান এরোসগী মোহন বগানগী মখূৎতা গোল ২–০ মায়থিবা নঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ ওইনা হয়েং গী অহানবা মেটচতা মণিপুরগী টিম নেরোকা এফসি অমদি রিয়েল কস্মির এফসি অমসুং অনীশুবা মেটচ ওইনা গোকুলম কেরলা এফসি অমদি শিল্লোং লাজোং এফসি গা লম্বা থেংনরগনি।

পনবা য়াবদি মমাঙ মেটচ আইজোলগী রজিব গান্ধী ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবদা নেরোকা এফসি অমদি আইজোল এফসি টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা দ্রো চৎখিবনি।

### ২শুবা সোলদোং ভেলিং স্পোর্টস মিট ২০১৮

ইম্ফাল, নবেম্বর ১০ঃ

অনাল য়ুঠ ফেল্লোসিপ ইম্ফালনা শীন্দুনা চত্থরকখিবা ২শুবা সোলদোং ভেলিং স্পোর্টস মিট ২০১৮ লোইশিনখ্রে।

স্পোর্টস মিট অসিগী ঙসি লোইশিনখিবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচতা এএসদিএময়ুনা এএমকেএ এফসিবু গোল ৩–২ দা মায়থিবা পীখ্রে।



মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এএসদিএময়ু গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ ফোলঙামনা মেটচকী ১১শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ২০ নিংফামননা মেটচকী ১১ অমদি ১৮শুবা মিনটতা গোল ২ চনখি।

মেটচ অসিদা মায়থিহৌরবা এএমকেএ এফসি গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর নোহরিননা মেটচকী ৯শুবা মিনটতা গোল ১, জর্সি নম্বর ৯৯ গ্লেদসননা মেটচকী ৭৫শুবা মিনটতা গোল ১ চনখিবনি।





7% TO 10% DISCOUNT

SANGAI TANK

শঙাই

10 YEARS GUARANTEE

SL/4119/23-9nov

প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক

An ISO 9001:2015 Certified Company

Valid from 20th Oct. to 20th Nov. 2018

লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজনা পুথোকচবা, ইরমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্না 'শঙাই' হায়না খঙনবা প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ তেঙ্কপু অতৈ মপান্দগী পুশিল্লকপা পোৎশিংগা চাংদম্নরবা মতুংদা ইশাগী ইরমদমগী পোত্থোক অসিবু শিজিন্নবিবগীদমক থাগৎচরি।

লোয়ননা ইরমদম অসিগী য়ুমথোঙ–য়ুমথোঙ খুদিংদা 'শঙাই' টেঙ্কপু শিজিন্নবা ঙমহন্নবগী পান্দমদা লমদম অসিগী চাওরবা কুম্মৈ নিঙোল চাক্কৌবগা মরী লৈননা 'শঙাই' টেঙ্ক চাদা ৭ অমসুং ১০ তানা য়োঙ্গগনি। হায়রিবা খুদোংচাবা অসি তাং ২০–১০–২০১৮ দগী হৌরগা তাং



ফংবীগদবা সাইজ ঃ
লিটর ২০০, ৩০০, ৫০০, ৭৫০, ১০০০, ১৫০০ অমসুং ২০০০ নি।
খুদোংচাবা অসি হেদ ওফিস খক্তদনি।

মীয়ামগী সেবাদা– লিসমার্ট ইন্দষ্ট্রিজ শঙাই প্লাষ্টিক ৱাটর ষ্টোরেজ টেঙ্ক
৮৪ / সোপ কম রেসিঃ কমপ্লেক্স (সুপরমার্কেট), লম্ফেলপাৎ


Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*